# মোদিনা ভেল্যু চাউবা করেন্সি নোটশিং চৎনহনখিবা থৌনা লৈবা খোঙথাংনি: চাইনিজ মিদিয়া



বৈজিং, নবেম্বর ১৪ :

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ভেল্যুগী করেন্সি নোটশিং চৎনহন্দনবা লৌখিবা ৱারেপ অদু 'ঙক্লিংঙাই অমসুং থৌনা ফবা' খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা চাইনিজ ওফিসল মিদিয়ানা হায়খ্রে মদুদি, করপসন মুখৎনবগী মতাংদা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি 'মতীক চাগদবা য়াম্না ৱাৎলি' অমসুং চাইনানা করপসনগী মায়োক্তা ক্রেকদাউন চথখিবদুদগী ইন্দিয়ানা আইদিয়াশিং লৌবা য়াগনি।

'ঙক্লিংঙাই ওইবা, খঙহৌদনা থাংলকপা খোঙথাং অমদা মোদিনা ব্লেক মণি অমসুং করপসন খরা কন্না থেংনগনি হায়বা উৎলদুনা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ গী করেন্সি নোটশিং চৎনহনখিদ্রে' হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা গ্লেবেল টাইমসকী ওপ-এদ অর্টিকল অমদা হায়খি।

'মোদিনা তৌরিবসি চুমই অমসুং ইন্দিয়াদা লৈরিবা অশেংবা ফীভমদা য়েংলগা মহাক্না মহাক্কী ৱারেপ লৌখিবনি। মরমদি, লৈবাক অসিগী অন্দরগ্রাউন্দ ইকনোমিদা চথবা অয়াম্বা ইলিগোল বিজনেসশিং শেলগী মখা পোল্লি অমসুং ইন্দিয়াদা সার্ক্যুলেট তৌরিবা কেস অপুন্বগী চাদা ৮০ হেন্না লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ গী নোটশিংনি। ফীভম অসিদা ঐখোয়না অনৌবা রুলনা করপসন মপুং ফানা মুখৎপা য়াগনি হায়বা ঙমদে হায়না আর্টিকল অদুদা পনখি।

মোদিনা ওফিস পায়বা হৌখিঙৈদগী ব্লেকমণি, করপসন অমসুং টেক্স থিদনবা তৌবশিংগী মায়োক্তা মখল-মখা কয়াগী খোঙথাংশিং লৌখৎখ্রে। অদুম ওইনমক 'মহাক্কী খোঙথাং কয়া অমদি ময়া য়াওদবনা প্রোব্লেমশিংগী মমায়দা খোৎপা ফাওবা ঙমদে' হায়না আর্টিকল অদুনা হায়খি। ইন্দিয়াগী ভেল্যু ৱাংবা নোটশিং চৎনহন্দবগী অনৌবা পোলিসী অসি 'খুদোংথীনিংঙাইনি তৌইগুম্বসুং থৌনা লৈবা অমসুং রিজল্ট ময়েক শেংনা খঙগদবা খোঙথাং অমদি ওই।'

'তৌইগুম্বসুং লৈবাক অমবু করপসন লৈহন্দনবা তৌবা হায়বসিদা করেন্সি নোটশিংদা অথিংবা থম্বদগী হেন্না তৌগদবা য়াম্না লৈরি। য়াম্না মরু ওইরিবদি সিষ্টেমশিং রিফোর্ম তৌবসিনি। হীরমসিগী মতাংদা ন্যু দিল্লিনা বৈজিংদগী আইদিয়াশিং লৌবা য়াগনি' হায়না প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা পায়খৎখিবা অচৌবা এন্টি-গ্রাফট কেম্পেয়নদা রিফরেন্স পীরদুনা হায়খি।

কেম্পেয়ন অদুদা তোঙান-তোঙানবা লেভেলশিংদা লৈবা ওফিসল মিলিয়ন অমা হেন্না চৈরাক পীখ্রে।

সিবু কম্যুনিষ্ট পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি হাপখিবা কুমজা ২০১২ গী কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ১৮শুবা নেসনল কোংগ্রেসকী মতুং অমসুং মহাক্না প্রসিদেন্ট অমসুং মিলিটরি চীফ ওইখিঙৈদগী চাইনাদা এন্টি-করপসন কেম্পেয়ন চথখি। কেম্পেয়ন অদুবু মায়কৈ কয়াদগী ক্রিটিসাইজ তৌনখি। মদুবু সিনা পার্টিবু হৌদোকখিবা মাও জেদোংগী মতুংদা খ্বাইদগী মতীক ময়াই লৈবা চাইনিজ লিদর ওইনা লৌনরক্লবা মহাক্কী পৱার চেৎশিনহনবদা শিজিন্নখি।

# ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতাংদা ঈ য়ুগী লিদরশিংনা ঙাইরগা য়েংগদৌরি




ব্রসেলজ, নবেম্বর ১৪ : অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লবা দোনাল্ড ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন মখাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লৈনগদবা ত্রান্স-এটলান্টিক মরীশিংগী মতাংদা খন্ননবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ফোরন মিনিষ্টরশিংনা ইনফোর্মেল মীটিং অমা পাংথোকখ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ফোরন মিনিষ্টরশিংনা অনৌবা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসননা লৌরকপা খোঙথাংশিংগী মখা পোন্না তুংদা লাক্কদৌরিবা ত্রান্স-এটলান্টিক মরীশিংগী ময়েক শেংলক্ত্রিফাওবা য়ুরোপ্পা মালেমগী এফেয়ের্সতা লৌরিবা থৌদাং হেন্না চেৎশিন্নবা মখা তানা হোৎনবা তাই হায়বসিদা য়ানখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা মীখলদা মায় পাকখিবা মতুংদা ঈ য়ুগী ফোরন এফেয়র্স চীফ ফেদরিকা মোঘেরিনিনা পোলিসী কয়াগী মতাংদা খন্ননবা ইমরজেন্সি মীফমদু কৌখিবনি। পোলিসীশিং অদুদা ৱাশিংটন্না য়ুরোপ্তা থল্লিবা কম্মিটমেন্ট, পেরিস এগ্রীমেন্ট ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং ইরান ন্যুক্লিয়র দিল য়াওরি।

অদুম ওইনমক মোঘেরিনিনা হায়খি, পেরিস এগ্রীমেন্ট অমসুং ইরান ন্যুক্লিয়র দিলবু শৌগৎপগী মতাংদদি ঈ য়ুনা খোঙফম চেৎনা লেপকনি। ত্রম্পনা পোলিসী অনীমক মহাক্কী ইলেক্সন কেম্পেয়ন মনুংদা কন্না ক্রিটিসাইজ তৌখিবনি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস পার্টরশিংনি অমসুং ঐখোয়গী ওইবা ভেল্যুশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা লুনা লৌনবা হীরমশিংদা মখা তানা পার্টনরশিং ওইখিগনি।

# দোনাল্ড ত্রম্পনা মীয়ামদা মুস্লিমশিং, লেটিনোশিংদা হরাশমেন্ট পীদনবা হায়খ্রে



ৱাশিংটন, নবেম্বর ১৪ :

য়ু এসকী প্রসিদেন্সিয়ল মীখলদা মহাক্না মায় পাকখিবা মতুং মখা তারকপদা মুস্লিমশিং, অফ্রিকান-অমেরিকানশিং অমসুং লেটিনোশিংদা হরাশমেন্ট পীবগী পাউ তাবদা নুংঙাইতবা পোক্লবা প্রসিদেন্ট খল্লবা দোনাল্ড ত্রম্পনা ইহান হানবা ওইনা মীয়ামদা থৌওংদু লেপ্পনবা হায়খ্রে।

'পাউসি তাবদা ঐহাক অদুক্কী মতীক অৱাবা ওইরে। অসিগুম্বা থৌওংসি লেপ্পবা ঐহাক্না হায়রি, মসি ঐহাক্না কেমেরা মমাঙদা হায়গে - মীঙোন্দা হরাশমেন্ট পীবা লেপউ' হায়না ত্রম্পনা সি বি এসকী 'সিক্সটি মিনিটস' হায়বা থৌরমদা ঙরাং হায়খি।

হন্দক্তা মুস্লিমশিং, হিসপানিক অমেরিকানশিং, অমুবা মীওইশিং, ইঠনিক মাইনোরিটিশিং অমসুং এন জি বি টি কম্যুনিটিগী মীওইশিংদা হেট ক্রাইমগী থৌওংশিং পাক্তক্লনা চথখিবগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা ত্রম্পনা থৌওংশিংদু লেপ্পনবা মীয়ামদা অপিল তৌখিবনি।

মঙোন্দা 'অসিগুম্বা হেট ক্রাইম তৌবা মীওইশিংদা করিগুম্বা খরা হায়নিংব্রা' হায়না হায়খি।

'ঐহাক্না মদু তৌগনু হায়গনি, মদু কিনিংঙাই থৌওংনি, মরমদি ঐহাক্না লৈবাক অসিদা য়ুনিটি লাকহন্নবা হোৎনগদৌরি' হায়না ত্রম্পনা হায়খি।

য়ু এসকী ৪৫শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লবা মীওই অসিনা হায়খি, সোসাইটিগী সেক্সন খরনদি মঙোন্দা অকিবা ফাওরি মরমদি মখোয়না মহাকপু খঙদে। মহাক্না অসিগুম্বা মীওইশিং অসিদা মহাকপু কিদনবসু হায়খি।

'ঐঙোন্দা মখোয়না কিরিবদু মখোয়না ঐহাকপু খঙদবদগীনি। মখোয়না উৎলিবা থৌওংদু কনাগী মায়োক্তনি হায়না লৌগনি' হায়না মহাক্না হংখি।

'প্রোটেষ্টকী ঈরাং খরদা নহাক্না প্রোফেস্নেল প্রোটেষ্টর খরা য়াওরে হায়না লৌবা য়াই' হায়না মহাক্না হীরম অসিগ মতাংদা ৱিকিলিক্সতা পনখিবদা রিফরেন্স পীরদুনা হায়খি।

'করিমত্তা কীগনু। লস্ফে চৎলুরবা মতুংদা ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈবাক অসি মহৌশাগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিনহল্লগনি। অদুনা তশেংনা নখোয়না করিমত্তা কিনিংঙাই ওইদে। মীখল অমা লোইখিবদা ঙাইহরি হায়বসি নখোয়না খঙই, নঙোন্দসু মঙাইরে চপ মান্নে, মতম খরা পীবা তাবনি। হায়বদি মীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌরিবসিবুনি। করিগুম্বা হিলারিনা মায় পাক্লম্বা থোক্লবদি অমসুং ঐহাক্কী মীশিংনা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌরুবা ওইরবদি মীপুম খুদিংমক্না 'মদু কিনিংঙাই ওইবা থৌওং অমনি' শোয়দনা হায়গনি।

# মোসুলদা আর্মিনা মায় খরা পাকপদা মীচমশিং খুদোংথীবা নংবগী ফীভমদা লৈরে

বাঘদাদ, নবেম্বর ১৪ :


মোসুলগী নোংপোকথংবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লাল অমুক হেক কনশিল্লকপা অমসুং অমুক হেক নেমথরকপগী ফীভম্না মফম অসিগী মীশিং মতম চূপ্পদা অকিবা পোক্লদুনা লৈরে হায়রি। মখোয়গী নৈবরহুদশিংদা আর্মি চঙশিঞ্জরবসু ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস আই এস) কী জিহাদিষ্টশিংনা কাউন্টর এটেকশিং চথবদগী তঙাই ফদনা ক্রুপশিং অদু ফ্রন্ট লাইনদা তোয়না হন্দোকখি।

সিটি অদুগী হেক নোংপোক্তা মখোয়গী খোঙফম শন্দোক্লবা হোৎনদুনা চয়োল অনীরোম লাল শোক্লরকখিবা স্পেসিয়ল ফোর্সশিং অমসুং টেঙ্ক দিভিজন অমা মিলিটেন্টশিংগী মায়কৈদগী কন্না ওপোজ তৌখি। জিহাদিষ্টশিংনা মখোয়গী মায়োক্তা সুইসাইদ বোম্মর কয়া থাদোকপগা লোয়ননা স্নাইপর এটেক কয়া অমসুং এম্বুশ কয়াসু হৌখ্রে।

আর্মিনা হায়খি, মোসুলগী দিষ্ট্রিক্ট কয়া মখোয়না কন্ট্রোল তৌরি নৎত্রগা মখোয় দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা চঙশিনখ্রে। তৌইগুম্বসুং লান্দা মফম কয়া লৌশিল্লে হায়না লাউথোক্লবা মতুংদা মখোয়না কন্ট্রোল তৌরে হায়রিবা এরিয়া-শিংদুমক্তা ইনৌ নৌনা লাল শোক্লবগী পাউ তোয়না তাবা ফংখি।

ইরাই নুমিৎতা এলিট কাউন্টর টেররিজম সার্ভিসনা চঙশিনখিবা অল-কাদিসিয়া অল-থনিয়া দিষ্ট্রিক্টকী মীওই অমনা হায়খি, তুংদা স্পেসল ফোর্সশিং হন্দোকখ্রে অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিং মফমদুদা অমুক হল্লকখ্রে। 'মখোয় ঐখোয়গী ইরক্তা অমুক লাকখি, মসিনি ঐখোয়না কিরিবসি। অহিংগী মতমদা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি অমসুং ঐখোয়না বোম পোকখায়বগী অহৌবা মখোল কয়া তাখি' হায়না মহাক্না রোইটর্সতা হায়খি।

# কন্না য়ুহা হাখিবা মতুংদা ন্যু জিলেন্দদা অফটরসোক কয়া থোক্লি



ৱাশিংটন, নবেম্বর ১৪ : মীওই অনী শিহনখিবা মেগনিচ্যুদ ৭.৫ য়ৌবা অচৌবা য়ুহা হাবা অমা থোকখ্রবা মতুংদা অকনবা অফটরসোক কয়ানা ন্যু জিলেন্দবু নিকহনখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী নোংয়াই মতুং পংকান-কান্নদবা মতমদা থোকখিবা অহানবগী অচৌবা য়ুহা হাবা অমগী মতুংদা মেগনিচ্যুদ ৬.৩ গী য়ুহা হাবা অমা য়াওনা সাউথ আইলেন্দদা ত্রেমর চা কয়া থোকখ্রে। য়ুহা হাবা অদুগী ইপিসেন্টর খৃষ্টচর্চকী অৱাংনোংপোক্তা কাইকৌরা টাউনগী মনাক্তা ওইখি। মফমদু লেন্দস্লাইদশিংনা মরম ওইদুনা অতৈ মফমশিংগা ফাওদোক-ফাওজিন য়াখিদ্রে হায়রি।

লেন্দস্লাইদ অমনা দাম শেমখিবা অচৌবা তুরেল অমসু লৈরাইদগী খংপা পাথোক্তুনা অচৌবা ঈশিংগী ৱাল অমা শেল্লগা মখা চেন্থখ্রে। সাউথ আইলেন্দগী খ্বাইদগী চাউবা তুরেলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ক্লারেন্স তুরেলগী অকোয়বদা লৈবা মীশিংদা খুদক্তা অৱাংবা মফমশিংদা কাখৎনবা খঙহনখ্রে।

অফটরসোকশিং অদুনা কম্যুনিটি খরা ঈশিং অমসুং পৱার ফংহনখিদে, অদুম ওইনমক ওথোরিটিশিংনা মৈ অমসুং ঈশিংগী সপ্লাইজ তপ্না তপ্না মহৌশাগী ফীভমদা লাকহন্নবা হোৎনরি।

য়ুহা হাবা মোনিটর তৌবা গভর্ণমেন্টনা ফন্দিং তৌবা প্রোজেক্ট অমা ওইরিবা জিওনেটনা হায়খি, অহানবগী য়ুহা হাবদু থাঙ্গৈশেংনা মরী লৈনবা ত্রেমর অনীনি অমসুং অফটরসোকশিং মথংগী থা খরদি মখা তানা থোকখিগনি।

অফটরসোকশিং লেপ্তুনা থোক্লকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীশিং অকিবা পোক্লরি। মীশিংনা অহিং তুম্লক্তবদগী ৱানখি, পাউ ফাওনবা ঙমখিদবশিংগীদমক্তা ৱানখি অমসুং মথৱায় মাঙখিবা মীওই অনীগীদমক্তা ৱানখি। মতাং অসিদা খরা নুংঙাইনিঙাই ওইবা ৱাফম অমসু লৈরি। য়ুহা হাবা অসি কুমজা ২০১১ দা থোকখিবা য়ুহা হাবা অদুদগী য়াম্না হেন্না চাউখি, তৌইগুম্বসুং মমাঙগীগা মান্নদবদি হন্দক্কী য়ুহা হাবা অসিদদি অমাঙ-অতা কা হেন্না থোকখিদে।

য়ুহা হাবা মতুংদা ন্যু জিলেন্দবু নৌনা শেমগৎ-শাগৎপা হায়বসি অচৌবা থবক অমা ওইগদৌরি। ন্যু জিলেন্দগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মরু ওইবা শরুকশিং অকায়-অতোই থোক্তুনা মশক হোংখ্রে হায়রি।

তৌইগুম্বসুং দিজাষ্টর থোক্লকপা মতমদা হান্নদগী তৌদুনা লাকপগুম ন্যু জিলেন্দগী মীশিংনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা মখোয়-মখোয়গী য়ুম্লোন-কৈরোন্নবশিংগী ফীভমশিং য়েংশিন্নখি অমসুং অমগা অমগা খুদোংথীবা নংলোইদবা মফমশিং ওফর তৌনখি।

ওথোরিটিশিংনা ইষ্ট কোষ্ট পরিংদা অহিং-নুংথিল অপুম্বদা মীশিংবু রেস্ক্যু তৌখি অমসুং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকখি। কাইকৌরা টাউন্দা লৈবা মখোয়গী ময়ুমগী অকায়-অতোই মরক্তগী চহী ১০০ শুরবী নুপী অমা অমসুং মহাক্কী মমৌনুপীবু হিংনা চিংথোকখি হায়না ন্যু জিলেন্দগী মিদিয়ানা ফোঙদোকখি।

# মোল্ডোভাগী মীখলদা প্রো-রসিয়ন কেন্দিদেটনা মায় পাক্লে

চিসিনাউ, নবেম্বর ১৪ :

মোল্ডোভাগী প্রসিদেন্সিয়ল মীখলদা প্রো-রসিয়ন কেন্দিদেট অমনা মায় পাক্লে হায়বসি প্রিলিমিনরি রিজল্টশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা উৎখ্রে। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু) গা নকশিন্ননবা চহী তরেৎ চূপ্না হোৎনরকখিবশিং লেপহনগনি হায়বা অচেৎপা ৱারেপ অমগা লোয়ননা প্রো-রসিয়ন কেন্দিদেটনা মীখল অদুদা কেম্পেয়ন তৌখিবনি।

ভোট চাদা ৯৮ থিবা লোইখিবগা লোয়ননা সোসিয়েলিষ্ট কেন্দিদেট ইগোর দোদন ভোট চাদা ৫৪ ফংখ্রে অমসুং মহাক্কী প্রো-য়ুরোপিয়ন চেলেঞ্জর মাইয়া সন্দুনা চাদা ৪৫ দমক ফংবা ঙমখ্রে। দোদননা মীখলদা মায় পাক্লিবসিনা মীওই ৩.৫ লৈবা হান্নগী সোভিয়েট ষ্টেট অদুগী প্রো-য়ুরোপিয়ন লিদরশিংদা থাজবা লৈত্রে হায়বদু তাকই। কুমজা ২০১৪ দা করপসনগী অচৌবা ৱাথোক অমা খঙনরকখিবদগী লৈবাক অসিদা পোলিটিকেল অমসুং ইকনোমিক ক্রাইসিস থোক্লকখি।

'ঐঙোন্দা ভোট থাদখিবশিংগীসু, ঐঙোন্দা থাদখিদবশিংগীসু ঐহাক লৈবাক পুম্বগী প্রসিদেন্টনি' হায়না দোদননা পাউমীশিংদা অতেনবা ব্রীফিং অমা পীরদুনা হায়খি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন ব্রান্দদা পীবা অতোপ্পা চৈথেং অমনি হায়না লৌবা য়াবা অমদা নোংমাইজিং নুমিৎতা প্রসিদেন্সিয়েল ভোট পাঙথোকখিবা বলগেরিয়াদসু প্রো-রসিয়ন কেন্দিদেট অমনা চাউনা মায় পাক্লে হায়বসি এগজিট পোলশিংনা উৎখ্রে।




মোল্ডোভাদা প্রসিদেন্ট অসি ফিগারহেদ অমদগী হেন্না ময়েক শেংনা পৱার লৈ। করিগুম্বা ফীভম খরদা মহাক্না পার্লিয়ামেন্টদা লোশিং অমুক হন্না থাবা অমসুং এসেমব্লি মুথৎপা ঙম্মী। দোদননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা হেন্না নকশিন্নবগী মহুত্তা রসিয়াগা হেন্না নকশিন্ননবগী লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লিবসি হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্টনা প্রো-য়ুরোপিয়নগী খোঙফমদা চেৎনা লেপ্পিবা অদুগা তায়োন্নে।

প্রাইম মিনিষ্টর পাভেল ফিলিপনা হায়খি, মোল্ডোভাগী খ্বাইদগী ফগদবদু য়েংদুনা নাকল অনীনা পুন্না থবক তৌমিন্নবা চঙগনি।

পুন্না থবক তৌমিন্নবা হায়বসিদা লৈবাক অসিবু মখা তানা মোর্দনাইজেসন তৌনবা মরু ওইবা রিফোর্ম কয়া পুরকপা অমসুং ঈ য়ুগী লম্বীদা মখা তানা চৎপনি। ঐখোয়না ঈ য়ুগা চৎমিন্নবা হায়বসি হন্দোকপা য়াদ্রবা তঙাই ফদবা অমনি' হায়না মহাক্না ঈ-মেইল কম্মেন্টশিংদা হায়খি।

য়ুক্রেন অমসুং ঈ য়ুগী মেম্বর রোমানিয়াগী মরক্তা চপ্পগা লৈবা মোল্ডোভানা কুমজা ২০১৪ দা য়ুরোপিয়ন ব্লোক্কা পোলিটিকেল অমসুং ট্রেদ এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনখিবদগী মোস্কোগা লৈনবা মরীদা শোকখি। মোস্কোনা মোল্ডোভাগী লৌউ-শিংউগী পোথোকশিং থাদোকপদা অথিংবা কয়া থমখি।

দোদনগী সোসিয়েলিষ্ট পার্টিনা এগ্রীমেন্ট অদুদগী তোকথোক্লগা রসিয়ানা দোমিনেট তৌবা য়ুরেসিয়ন ইকনোমিক য়ুনিয়ন অমদা ওইনা য়াওবা পামই। পোলিসী অসিমক মোল্ডোভান কয়ানা শৌগৎলি হায়রি।



HL-B/3401/20/10-19/11

## EMPLOYMENT NEWS

**Bank Of Baroda – BOB Recruitment 2017 – 1039 Specialist Officer Vacancies – Last Date 29 November 2016**

**Bank Of Baroda Recruitment 2017 – 2016**

Bank of Baroda invites Application for the post of 1039 Specialist Officer. Apply Online before 29 November 2016.

**Job Details :**
Post Name : Specialist Officer
No of Vacancy : 1039 Posts
Pay Scale : Rs. 23700-59170/-
**Cadre wise Vacancies :**
Credit Analysts (Chartered Accountants) – 40 post
Finance / Credit II – 235 Posts
Finance / Credit III – 205 Posts
Trade Finance – 100 Posts
Treasury – Product Sales II – 20 Posts
Treasury – Dealers/ Traders – II – 05 Posts
Treasury – Relationship Managers (Forex/Derivatives) – Posts
Treasury – Equity Analyst – 01 Post
Risk Management – 10 Posts
Agriculture product specialist – Gold Loan – 01 Post
Agriculture product specialist – Warehouse Receipt – 01 Post
Agriculture product specialist – Food & Agro Processing – 01 Post
Agriculture product specialist – High Tech Agri Projects – 01 Post
Agriculture product specialist – Farm mechanization – 01 Post
Marketing – 200 Posts
Planning-I – 57 Posts
Planning-I – 11 Posts
Economists II – 04 Posts
Economist IV – 01 Post
Law – 17 Posts
IT – Software Development – 05 Posts
IT – Data Scientist – 02 Posts
IT – Software Testing – 01 Post
IT – Database Management – 02 Posts
IT – Data Analyst – 09 Posts
IT security (CISA) – 03 Posts
HRM II – 25 Posts
HRM III – 15 Posts
Security – 32 Posts
Fire – 09 Posts
Electrical engineers – 02 Posts
Civil engineers / Architects – 08 Posts
Official Language (Hindi)
**Eligibility Criteria for Bank Of Baroda Recruitment :**
Educational Qualification :
For Finance Credit : Candidate should have Full time MBA / Full time PGDBM / Full time PGDM with specialization in Finance / CFA/ ICWA/ CA from a recognized university/ reputed institute.
For Marketing : Full time MBA / Full time PGDBM / Full time PGDM / Full Time Post-Graduate qualification with specialisation in Marketing.
For IT – Software Development : Post Graduate Degree in Electronics/ Electronics & Tele Communication/ Electronics & Communication/ Electronics & Instrumentation/ Computer Science.
Remaining Posts Qualification as Per Official Notification.
Nationality : Indian
Age Limit : As per BOB rules
**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection process will be based on online exam (objective + descriptive) followed by Psychometric Assessment, Group Discussion and Personal Interview.
**Application Fee :** Candidates belonging to General/OBC have to pay Rs. 600/- & Rs. 100/- for SC/ST/PWD candidates through Online by using Debit Cards (RuPay/ Visa/ MasterCard/ Maestro), Credit Cards, Internet Banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets.
**How to Apply Bank Of Baroda Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website www.bankofbaroda.co.in from 09.11.2016 to 29.11.2016.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission Of Online Application : 09.11.2016
Last Date for Submission Of Online Application : 29.11.2016
Last Date for Payment of Application Fee : 29.11.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.bankofbaroda.co.in/download/Advertisement%20-Specialist%20Officers%20-%202016-17.pdf
**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/bobsplnov16

**Airports Authority of India – AAI Recruitment 2017 – 682 Graduate, Diploma & ITI Apprentices Vacancies – Last Date 30 November 2016**

**AAI Recruitment 2017 – 2016**
Airports Authority of India (AAI) invites application for the post of 682 Graduate, Diploma & ITI Apprentices under Apprenticeship Act 1961/ Apprentices Amendment Act, 2014. Apply Online before 30 November 2016.

Advt. No. : AAI/HR/01/Apprentices-17
**Job Details :**
Post Name : Graduate Apprentices
No. of Vacancy : 390 Posts
Pay Scale : Rs. 7500/- (Per Month)
Post Name : Diploma Apprentices
No. of Vacancy : 211 Posts
Pay Scale : Rs. 6000/- (Per Month)
Post Name : ITI Apprentices
No. of Vacancy : 81 Posts
Pay Scale : Rs. 7000/- (Per Month)
**Eligibility Criteria for AAI Recruitment :**
Educational Qualification :
For Graduate Apprentices : B. E. / B. Tech (IT/CSE)/Civil/ Electrical/(Fire / Automobile / Mechanical/Electronics / Communication Engineering or Equivalent OR Science Graduate with MBA or Engineering Graduate in any discipline or Equivalent OR B. Com. OR Graduate with Statistics / Mathematics /Operation Research / Economics).
For Diploma Apprentices : Diploma In Civil/ Fire / Automobile / Mechanical/Electronics / Communication Engineering or Equivalent.
For ITI Apprentices : ITI in Electronics / Instrumentation / Wireless/ Fitter/Wireman.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 24 years As on 31.12.2016
**Age Relaxation :**
SC/ST Candidates : 5 years
OBC Candidates : 3 years
**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be based on percentage (%) of marks in the qualifying examination.
**How to Apply AAI Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.aai.aero from 08.11.2016 to 30.11.2016.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 08.11.2016
Last Date for Submission of Online Application : 30.11.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://cdn4.digialm.com//per/g22/pub/1062/EForms/image/ImageDocUpload/0/111262642747481612554.pdf
**Apply Online :** https://cdn.digialm.com/EForms/html/form50724/Instruction.html